
# হাংঝৌ এসিয়ন গেমস ২০২২ কোভিদনা মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়েথোকখ্রে



বৈজিং, মে ০৬ (এজেন্সী):

চাইনাদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কোভিদ-১৯ কেস হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১০দগী ২৫ ফাওবা হাংঝৌদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা এসিয়ন গেমস ২০২২ মতম কক্তনা য়েথোক্লে হায়না ওলিম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়া (ও সী এ)না ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

স্পোর্টিং কন্টেষ্ট অসিগী অনৌবা মতম ওর্গনাইজরনা খরা লৈরগা লাউথোক্লগনি। শাংহাইদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী অনৌবা ৱেভ লাকপনা মরম ওইরগা সিটি অসি লোকদাউন তৌখিবনা ১৯শুবা মল্টি স্পোর্টস গেমস অসি তম্বা ঙমখিদবনি।

ওলিম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়াগী এগজিক্যুটিভ বোর্দকী মীফম অমা টাস্কেন্টতা ইরাই নুমিৎতা ফমদুনা হৌজিক চাইনাগী ওইরিবা ফীভম কুপ্না খন্নরবা মতুং খ্বাইদগী ফবা খোঙথাং ওইনা গেম অসি য়েথোকপগী দিসিজন লৌরকখিবনি।

চাইনিজ ওলিম্পিক কম্মিটি, হাংঝৌ এসিয়ন গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমদি ওলিম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়াগী বোর্দ মেম্বরশিংনা য়াওনা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা ১৯শুবা এসিয়ন গেমস অসি য়েথোকপগী ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা অথুবদা গেমসকী অনৌবা মতম লাউথোক্লবা য়ানখিবনি।

ও সী এনা ফোঙদোরকপদা হাংঝৌ এসিয়ন গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা মালেমগী ওইনা পেন্দমিককী থেংনরিবা চেলেঞ্জশিং লৈনা-লৈনা গেমস অসি মতম চানা শান্ননবা শেম শাখি অদুবু হৌজিক ওইরিবা পেন্দমিককী সিচ্যুএসন অসি কুপ্না খন্নরবা মতুং ষ্টেকহোল্ডর পূম্নমক্না অমত্তা ওইনা য়ানদুনা গেমস য়েথোকপগী ফিরেপ অসি লৌখিবনি হায়খি।

শাংহাইগী সাউথ ৱেষ্ট লোমদা কিলোমিটর ১৭৫ রোম চৎলগা লৈবা ঝেজিয়াং প্রোভিন্সতা অনৌবা রিপোর্টকী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস ৩,১২৪ লাকখিবগা লোয়ননা মীওই ১ লৈখিদবনি।

পনবা য়াবদি, এথলিট ১১,০০০ রোম্না তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ৬১দা অথোই-অহেন তান্নগদৌরিবা এসিয়ন গেমস অমদি এসিয়ন পেরা গেমসকীদমক হাংঝৌদা তোঙান-তোঙানবা কম্পিটিসন ভেন্যু ৫৬ শেমগৎপা লোইখ্রে হায়না ওর্গনাইজরনা মমাং থাদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

এসিয়ন গেমস য়েথোকখিবগী মথক্তা চাইনাগী শান্তৌদা চহী অসিগী দিসেম্বর ২০দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ৩শুবা এসিয়ন য়ুথ গেমসসু কেন্সেল তৌখ্রে।

# ভেটরান এথলিট পি ঐচ কলাচান্দ তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

চেন্নাইদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৪২শুবা নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরগী গোল্ড ১ অমদি ব্রোঞ্জ ১ লৌরকখিবা কান্টো অচৌবদগী ভেটরান এথলিট ফুরিৎশাবম কলাচান্দ ঙসি ইম্ফাল হেক থুংলবগা লমদম অদোমগী মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

কান্টো খুল্লেন ভেটরান এসোসিএসন অমদি য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব কান্টো অনীনা খুৎশম্ননা শীন্দুনা কান্টো কম্যুনিটি হোলদা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা ওকপগী থৌরম অদুদা ভেটরান এথলিট পি ঐচ কলাচান্দনা ফোঙদোকখিবদা, লায়না-তিন্না চেন্দনা হকচাং ফনা লৈনবগী পান্দমদা শান্ন-খোৎনবগী লম্ অসিদা খোঙদারকখিবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাদনা হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনসি হায়খিবগা লোয়ননা ঙসি মীয়াম্না ঐবু শকখঙবীদুনা ওকপীরম্বা অসি নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী মিটর ২০০গী লমজেলদসু মেদল ১ ফংবা য়ারম্বনি অদুবু হান্না পীরম্বা মতমদগী শেমদোক-শেমজিন তৌরম্বনা শরুক য়াবা নংহৌখিদে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পনবা য়াবদি, কলাচান্দনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী চহী ৬০ মথক্কী মিটর ৪০০গী লমজেলদা মিনট ১ সেকেন্দ ১২দা লমথুংফম য়ৌদুনা গোল্ড মেদল অদুগা মিটর ১০০গী লমজেলদা সেকেন্দ ১৫.৭০দা চেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেদল ১ ফংবা ঙমখিবনি।

## ষ্টেট লেভেল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ

# এস দব্লিয়ু সী-এনা মিনি বোইজকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর সেপাক টাক্রো এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা সোসল ৱেলফেয়র ক্লব (এস দব্লিয়ু সী)না শিন্দুনা হিয়াংলম মখা লৈকায়দা লৈবা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ষ্টেট লেভেল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা ২১শুবা মিনি বোইজকী ফাইনেল মেটচতা য়ূম্নু টিম ওইরিবা সোসল ৱেলফেয়র ক্লব-এ হিয়াংলমনা পি য়ু সী কাইরংবু মায়থীবা পীদুনা কাঙলূপ অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।



এস দব্লিয়ু সী-এ হিয়াংলমনা ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা পি য়ু সী কাইরংবু গেম ২-১দা মায়থীবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা য়ূম্নু টিমগী নুপামচাশিংনা অহানবা গেমগী শান্নবদা পি য়ু সী কাইরংবু পোইন্ট ২১-১২দা মায়থীবা পীদুনা লীদ তৌখি। মখা তাবা অনীশুবা গেমগী শান্নবদা পি য়ু সী কাইরংগী নুপামচাশিংনা পোইন্ট ২১-১৩দা মায়থীবা পীদুনা ১-১দা টাইতাহনখি। দিসাইদিং মেটচতা য়ূম্নু টিমগী নুপামচাশিংনা পোইন্ট ২১-১৬তা কাইরং টিমবু মায়থীবা পীদুনা কাঙলূপ অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ২৩শুবা জুনিয়র গর্লস রেগু ইভেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা সাই আর সী-এ ইম্ফালনা সাই আর সী-বিবু ২-১ (২১-১৪, ১৬-২১, ২৩-২১)দা মায়থীবা পীখি।

সাই আর সী-এনা মখা তানা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনী সাই আর সী-সীবু ২-০ (২১-১৮, ২১-১৬) অদুগা আই এম এস য়ু সী হৈঙাংবু ২-০ (২১-১৫, ২১-১১)দা মায়থীবা পীখি।

কাঙলূপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা সাই আর সী-সীনা পি য়ু সী কাইরংবু ২-০ (২১-১৯, ২১-১৩); আই এম এস য়ু সী হৈঙাংনা এস দব্লিয়ু সী হিয়াংলমবু ২-০ (২১-১৪, ২১-১৪) অমদি সাই আর সী-বিনা পি য়ু সী কাইরংবু ২-০ (২১-১৬, ২১-১৩)দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা সব-জুনিয়র বোইজ রেগু ইভেন্টকী গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস দব্লিয়ু সী-এ হিয়াংলম অমদি সাই আর সী-এ ইম্ফাল মেটচ ৬/৬ মায় পাকখ্রে।

এস দব্লিয়ু সী-এ হিয়াংলমনা অহানবা মেটচতা আই এম এস য়ু সী-বি হৈঙাংবু ২-০ (২১-১৫, ২১-১৭), অনীশুবদা এ এল এস এ-বি তোপ সিফাইবু ২-০ (২১-১৬, ২১-১০), অহুমশুবদা পি য়ু সী -এ কাইরংবু ২-০ (২১-১০, ২১-১৯), মরিশুবদা কে ৱাই দি ও-বি কুম্বীবু পোইন্ট (২১-১০, ২১-১৪), মঙাশুবদা ৱাই এ দব্লিয়ু এ শীংজমৈবু ২১-১৩, ২১-১০ অমদি ৬শুবদা ঐচ য়ু দি আই সী হৈঙাংবু ২১-১৬, ২১-১৩দা মায়থীবা পীখি।

সাই আর সী-এনা এস দব্লিয়ু সী-এ, ৱাই এ দব্লিয়ু এ শীংজমৈ, ঐচ য়ু দি আই সী হৈঙাং, আই এম এস য়ু সী-বি হৈঙাং অমদি কে ৱাই দি ও-এ কুম্বীবু মায়থীবা পীখিবনি।

# ৰুশুগী ইন্টরনেসনল মেদলিষ্ট বিনাদা মতেং পাংলগনি



ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

ৰুশু মশান্না অসিগী ইন্টরনেসনল প্লেয়র ওইবদা নৎতনা মেদল কয়া লৌরক্তুনা ষ্টেট অসিগী মিংচৎ পুরকখ্রবী এ বিনানা ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রনা মরম ওইরগা ঙা য়োন্দুনা মচাবু ৱানা লাইরিক তমহল্লিবা অসি কোক্লবা পাংবা য়াবা মতেং পাংলগনি হায়না নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল এৱার্দীসু ওইরিবা ইম্ফাল পব্লিক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ফাউন্দর প্রিন্সিপাল অসেম কেনেদিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি কেনেদিনা ঙসি ক্যামগৈদা লৈবা আই পি এস স্কুলদা ইন্টরনেসনল ৰুশু প্লেয়র বিনা অমদি মহাক্কী মচা রবিচন্দ্রগা পূন্না উনবা অমদা ফোঙদোকখিবনি।

লমদম অসিগী মহৈরোয় লিশিং ২ হেনবদা লেম্না মহৈ তমহনবগী ৱর্ল্ড জিনিয়স রেকোর্দ হোল্ডরসু ওইরিবা কেনেদিনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী অৱাংবা থাক্কী শান্নরোয় কয়ানা ৱানা পূন্সি লেনবা উবদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওই হায়খিবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংবু য়েংশিনবীরিবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লদুনা ষ্টেট অসিগী মিংচৎ কয়া পুরকখ্রবা শান্নরোয়শিংবু থিদোকপীদুনা মাগী-মাগী হিংনবগী লম্বী অমমম্ শীনবীনবা ৱাফমশিং থমখি।

# টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি : দ্রেস হাউস অমদি এম ৱাই দি এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএসননা শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এফকী মেটচ অনীদা দ্রেস হাউস এফ সী পাৎসোই অমদি এম ৱাই দি এ এফ সী সঙ্গাইয়ুম্ফম মাইরেন খুল মায় পাকখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা দ্রেস হাউস এফ সীনা বি আর এফ সী য়াইস্কুলবু লাকচনা ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফতা পাৎসোইগী শান্নরোয় ইনাওতোনবা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং বেদাশোরনা শান্নবগী ৪০ শুবা মিনটতা পাৎসোই টিমগী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি। মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা কবিরাজনা দ্রেস হাউসকী গোল অমগা হাপচিন্দুনা বি আর এফ সীবু লাকচনা ৩-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা রেফরি রোবিনসননা য়াইস্কুলগী শান্নরোয় ২-অজিমির অমদি রাজো শান্নবগী ৩২ অমদি ৪০ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা এম ৱাই দি এ সঙ্গাইয়ুম্ফম মাইরেন খুলনা সেক্তা এফ সীবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী নোর্মেল টাইম ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি। মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা এম দি সরিফনা এম ৱাই দি এগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি কুঞ্জেশ্বরনা সেক্তাগী শান্নরোয় থোইবু শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। মহাক্কী অহানবা য়েলো কার্দ অদুনা অহানবা হাফকী শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা ফংবা ঙমখিবনি। মেটচ অসিদা রেফরিনা মায় পাকখিবা মাইরেন খুলগী শান্নরোয় সুরজসু শান্নবগী ২৬ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থাংজ নুমিৎতা গ্রুপ জিগী মেটচ ২ শান্নগনি। অহানবা মেটচতা পান্থোইবী এফ সী লংথবাল অমদি সুর্মা এফ সী ৱাংজিং থেংনরগনি। ২শুবা মেটচতা য়াইরিপোক এফ সী অমদি এস এম দি সী সোরা শান্নরগনি।

# সঙাই ট্রোফিগী ওফিসলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা থা অসিগী ৮দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ কন্দক্ট তৌনবা ওফিসল ৯ ঙসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা খনখ্রে।

খনগৎলবা ওফিসলশিং অদুদি এস জেমসকুমারনা মেটচ কম্মিস্নর অদুগা রেফরি ওইনা এল গোকুলানন্দ, এ শাফবা, এস ওনিল, ঐচ মহেশ, কে অজিৎ, এল রাজা, এন অমর্জিৎ অমদি এম ইনাওনি। খনগৎলবা রেফরিশিংনা মেটচ কম্মিস্নর এস জেমসকুমারদা থা অসিগী ৭কী নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

# সুব্রোটো মুখর্জী ফুটবোল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস জিরিবামনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী অমদি চহী ১৭ মখাগী নুপা অমদি নুপীগী ওইবা ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জী ফুটবোল টুর্নামেন্ট থা অসিগী ২৩দগী হৌদুনা বিদ্যানগর স্পোর্টস কমপ্লেক্স জিরিবামদা পাঙথোক্লগনি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা শরুক য়ানিংবা স্কুলশিংনা থা অসিগী ৬তগী দি ৱাই এ এস ও জিরিবামগী সুপরিন্টেন্দেন্ট (পি)গী ওফিসতগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না থা অসিগী ২০ ফাওবা ওইগনি অমদি মেদিকেল এজ ভেরিফিকেসননা মে ২২দা পাঙথোক্লগনি।

# বোল বেদমিন্টনগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পুর্বা মিদনাপুরদা লৈবা অসদটালাদা চহী অসিগী জুন ৩দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০২২-২৩দা শরুক য়ানবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা বোল বেদমিন্টন এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৮দগী ১১ ফাওবা অয়ুক পুং ৬.৩০ দগী ৯ ফাওবা লুৱাংপোকপা লম্পাক বাস্কেটবোল গ্রাউন্দ অমদি মোদেল ক্লব শীংজমৈ চীংঙা মখাদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা খঙহল্লক্লি।

ট্রায়ল কম সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানবা এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌবা ইন্সটিট্যুসনশিং, ক্লবশিং অমদি য়ুনিটশিংনা মখোয়গী শান্নরোয়শিং থারক্লবা মখা তারক্লি।

# যোগ ওলিম্পিয়দ ২০২২ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস): ইন্টরনেসনল দে ওফ যোগ সেলেব্রেসনগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর জোন-২ পোরোম্পাৎনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা যোগ ওলিম্পিয়দ ২০২২ থা অসিগী ১৩গী অয়ুক পুং ১০.৩০দগী হৌদুনা পোরোম্পাৎতা লৈবা ওফিসতা পাঙথোক্লগনি।

কম্পিটিসন অসিদগী খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা থা অসিগী ২০ অমদি ২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল যোগ ওলিম্পিয়দ ২০২২দা শরুক য়ারগনি হায়রি।

ADMISSION OPEN

PHOENIX ENGLISH COACHING

FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)

KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK

Detailed explanation of every lesson

Complete discussion of exam-related questions

Free supply of printed questions and answers

Weekly exam-oriented tests.

Nowhere can you find such English coaching class.

CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.

6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM

PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/7616/23/4-21/5

APOLLO ACADEMY

Moulding Medical & Engineering Career

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE 2022-23

XI(Sc) & XII(Sc) (CBSE & COHSEM)

SUBJECT:- PHY, CHEM, BIO, MATHS, ENG, MAN, H. SC., C.SC.

Form Issue : 20/04/2022

Class Timing : 4:15pm to 7:30 pm

Class Commencement : 09/05/2022

AVAILABLE HOSTEL SEATS FOR BOYS AND GIRLS OF SCHOOL GOERS

FOR DETAILS :- Plz. Contact, Coordinator APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office. (7:00 am - 4:00 pm)

Contact No. - 8258013846

HL-B/7608/5-12

CUET

COMMON UNIVERSITY Entrance Test CUET (UG) - 2022

(To be held in the month of July - 2022 by NTA)

FORM ISSUE :- 20/04/2022

CLASS STARTS :- 12 May, 2022

ELIGIBILITY :- Class XII passed/appearing

SHIFT :- (Morning and Evening)

NTA CUET (UG)

Common University Entrance Test 2022

Under Graduate Tests for DU, JNU, Jamia Millia, BHU, AMU and All other Central Universities (CUs)

HIGHLIGHTS :-

1) Admission selection only based on CUET scores.

2) Computer based test on language (200 m), optional subjects (200 m) & General Test (300 m).

3) Examination Centres :- Imphal and Chandel.

For details Please Contact : Co-ordinator, APOLLO ACADEMY

Kwakeithel Bazar near AMUCO Office, Contact No. - 8258013846

HL-B/7608/5-12

CAS Centre for Advanced Studies

CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

No.1 in Manipur

ADMISSION IS GOING ON

SPECIAL FOUNDATION COURSES

Seats are Limited First Come First Served

CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng)

CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng)

CLASS X (English, Mathematics, Science & Social Science)

Special features:

- Special Concession for all Students
- Qualified & Experienced Faculties
- Exam. Oriented Study Materials
- Weekly and Monthly Test Series
- Targeted Suggestion for Final Exam
- Vision for toppers in 2023

Classes commencing from 28th April, 2022

Morning Batch (4.30- 7.00) A.M.

Evening Batch (4.30- 7.30) P.M.

Hostel for BOYS & GIRLS Available

For Details contact:- CAS Office, Centre for Advanced Studies Keishampat Junction, Imphal (Mayai Lambi Road Machin.)

HL-B/7610/21-19

LOAN AVAILABLE



EMPLOYMENT NEWS

> IMPHAL BRANCH:- Security/Gunman-2

> SEKMAI, MOIRANG, NAMBOL, THOUBAL, KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2, Grade IV-2

> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2,2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre fitting helper-2

L.G. MOTORS FINANCE

KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q

CONTACT No.:- 9774495994/8731978490


NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR

OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM

BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU, KACHING IRUM LAMDONG, SEKMAI KOUJENGLEIMA.

HL-B/7613/22/4-20/6

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 445

Katetov, Miroslav - Tikovsky, J.

CSR-ch 19th Ostrava (11), 1946

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.g3 Bg7 | 4.Bg2 d6 |
| 5.d4 O-O | 6.O-O Nbd7 | 7.Nc3 e5 | 8.dxe5 dxe5 |
| 9.Qc2 c6 | 10.Rd1 Qc7 | 11.b3 Re8 | 12.e3 Nc5 |
| 13.Ba3 Bf5 | 14.Qe2 Qa5 | 15.Bxc5 Qxc5 | 16.e4 Bg4 |
| 17.Rd3 Rad8 | 18.Rad1 Rxd3 | 19.Qxd3 Bf8 | 20.h3 Bc8 |
| 21.Ne1 Nh5 | 22.Nc2 f5 | 23.b4 Qe7 | 24.c5 Be6 |
| 25.Ne3 f4 | 26.Nc4 fxg3 | 27.fxg3 Bg7 | 28.Nd6 Rf8 |
| 29.Rf1 b6 | 30.Rxf8+ Bxf8 | 31.Kh2 Qd8 | 32.Bf1 Bxd6 |
| 33.cxd6 Ng7 | 34.b5 c5 | 35.Nd5 Ne8 | 36.Nc7 Nxc7 |
| 37.dxc7 Qxc7 | 38.Qc3 Bxa2 | 39.Bc4+ Bxc4 | 40.Qxc4+ Kg7 |
| 41.Qe6 Kh6 | 42.h4 c4 | 43.Qc6 Qf7 | 44.Kg2 Kh5 |
| 45.Qd6 g5 | 46. ... | | |

**QUESTION :**

White to win

**Puzzle 444 Ans. :**

35. ...Qxh2+ 36. Kf1 Qh1+ 37. Ke2 Rxe3+ 38. fxe3 Rxe3+ 39. Kd2 Qe1+ 40. Kc2 Rxc3+ 41. Kb2 Qc1#
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com